## যুক্রেনগী লান:
# রসিয়ানা কিভতা কামা কাজে দ্রোনশিং শীজিন্নরগা পাক্তক্লনা এটেক চথখ্রে

কিভ, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

রসিয়ানা যুক্রেনগী কেপিটেল কিভতা ইরাননা শাবা কামা কাজে দ্রোনশিং য়াওনা দ্রোন মখল কয়া শীজিন্নদুনা পাক্তক্লনা এটেক চথরক্লে হায়না যুক্রেনিয়ন প্রাইম মিনিষ্টর দেনিস স্মিগলনা ফোঙদোকখ্রে।



প্রাইম মিনিষ্টর স্মিগলগী মতুং ইন্না দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদু যুক্রেনগী লমদম অহুমগী মরু ওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা টার্গেট তৌদুনা চথরকখিবনি। এটেক অদুনা যুক্রেনগী ভিলেজ চা কয়াদা ইলেক্ট্রিসিটি সপ্লাই লেপহনখি।

হৌজিক ফাওবদা দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদুনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা মীওই তরেৎ শিখ্রে, মীওই মরি সুমিদা শিখি অমসুং অহুম্না কিভতা শিখি। চয়োল অমগী মমাঙদা রসিয়ানা মী চিল্লকপা মতমদা কেপিটেল কিভতা মিসাইল কয়া কাপশিন্দুনা এটেক চথখিবনি। যুক্রেন শীন থুংনা চথখিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং অদুদা মীওই ১৯ শিখিবনি।

স্মিগলনা হায়খি, মদুদি অনৌবা ষ্ট্রাইকশিং অদু যুক্রেনগী লমদম অহুম কিভ, দনিপ্রো অমসুং সুমিদা চথরকখি। দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদুগী মতুংদা রসিয়ানা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা দেজিগনেটেদ টার্গেট পুম্নমক হিট তৌখি হায়রদুনা ষ্ট্রাইকশিং অদুগী টার্গেট অদু যুক্রেনগী মিলিটরি কম্মান্দ ফেসিলিটিশিং অমসুং ইনর্জি সিষ্টেমনি হায়না ফেঙেদোকখি।

যুক্রেনগী দিপ্যুটি ইন্টরিয়র মিনিষ্টর য়েপহেন য়েনিনগী মতুং ইন্না সুমিদা লৈবা ইনর্জি পুথোকপা ফেসিলিটি অমদা চথরকখিবা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমদা মীওই মরি শিখ্রে। রসিয়ানা ইনর্জিগা মরী লৈনবা ফেসিলিটি পুম্নমক্তা টার্গেট তৌদুনা পাক্তক্লনা এটেক চথরক্লি হায়না পল্লদুনা য়েমেননা চেকশিন ৱা পীখি মদুদি রসিয়নশিংনা যুক্রেনগী ইনর্জি ইন্দষ্ট্রিবু কাংখোং চাইহনবা পান্মী।

অনৌবা মওংগী এটেকশিং অসিনা মখোয় তৌফম খঙলক্তবদগী ঙাওরক্লে হায়বসি উৎলি হায়না যুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগী ষ্টাফকী হেদ এন্দ্রি য়েরমার্কনা ফোঙদোকখি।

যুক্রেনগী পোর্ট সিটি মাইকোলাইফতা সুইসাইদ দ্রোনশিংনা নুমিৎলৈ থাউগী টেঙ্কশিং মৈ চাকহল্লে হায়না সিটি অসিগী মেয়র ওলেক্সন্দর সেনকিবিসনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা দ্রোন অহুম্না মাইকো লাইফতা লৈবা টেঙ্কশিং অদু মৈ চাকহনখি। মদু কিভতা এটেক চথদ্রিঙৈ পুং খরগী মমাঙদা থোকখিবনি। যুক্রেনিয়ন এয়র ফোর্সকী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা হৌখিবা অহিংদগী দ্রোন ৩৭ থুগায়খ্রে। দ্রোনশিং অদু খারোমদগী লৈবাক অদুদা পায়শিল্লকখিবনি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা কিভতা দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা পাক্তক্লনা এটেক চথরকখি। এন্টি-এয়রক্রাফট বেটেরিশিংনা দ্রোনশিং অদুবু টার্গেট তৌদুনা লেপ্পা লৈতনা কাপ্পদগী সিটি অদু পুমনিল নিনখি। সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিও অমদা দ্রোন অমদি লমখাংদা কাপথবগী শক্তম উখি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অদুগা মরী লৈননা পোকখায়বশিং অদু লোকেল মতমদা পুং ৬.৩০ রোম তাবদা হৌখি। প্রসিদেন্ট জেলেন্সকিনা এটেকশিং অদুনা মীচম মীয়াম্বু মীপায় থাবায়হল্লে হায়না পল্লদুনা য়েক্লবনা ঐখোয়গী সিটিশিংদা এটেক তৌবা ঙল্লবসু মদুনা ঐখোয়বু পুমথু থুগায়বদি ঙম্লোই হায়খি। কিভকী মেয়র বেটালিটি ক্লিস্কোনা এটেকশিং অদুবু যুক্রেনিয়ন মীয়াম পাক্তক্লনা হাৎননবা চথরক্লিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। মহাক্না হায়খি, রসিয়নশিংনা পান্লিবসি যুক্রেনিয়নশিং লৈতবা যুক্রেন হায়বা লৈবাক অমা শেম্না অসিনি।

ক্লিস্কোনা মখা তানা হায়, সিটি ওথোরিটিশিংনা অথুবা মতমদা কেপিটেল অদুবু দ্রোন এটেকশিংদগী ঙাকথোক্লবগীদমক এয়র দিফেন্স সিষ্টেমশিং থুংলরগনি হায়না থাজরি।

এজেন্সি অমগী জর্নেলিষ্টনা এটেক অদুদা শীজিন্নখিবা দ্রোন অমগী অকায় অতোইশিংগী ফোটো থাগৎলকখি।

# নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোরকপা য়াই হায়দুনা সাউথনা পুং ২৪ শেম শাদুনা লৈরি

সিওল, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

নোর্থ কোরিয়ানা মতম অমদা হেক্তা লৈবাক অসিগী তরেৎশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোরকপা য়াবগী চিংনরকপা লৈবনা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট য়ুন সুক-য়িওলগী ওফিসনা পুং ২৪ শেম শাদুনা অমসুং মীকুপ নাহুমশিংনা লৈরি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



ওফিসলশিংনা পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়, নোর্থ কোরিয়ানা হন্দক্তা পরিং নাইনা মিসাইল লোঞ্চ কয়া পাঙথোকখিবা অমসুং অতৈ কায়হৌবগী থৌওং কয়া চথখিবদু পিওংয়াংগী রেজিম্না তরেৎশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং অমা পাঙথোক্লবা শেম শারকপগী শরুক অমনি হায়না থাজে।

প্রসিদেন্টগী ওফিসকী সেনিয়র ওফিসল অমনা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি নোর্থ কোরিয়ানা কায়হৌবগী থৌওংশিং তোইশিল্লকপনা মরম ওইদুনা ঐখোয়না মীকুপ নাহুম শীংনা লৈবগা লোয়ননা মতম পুম্বদা শেম শাবগী ফিভমদা লৈরি।

অতোপ্পা ওফিসল অমনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা নোর্থ কোরিয়ানা ন্যুক্লিয়র টেষ্ট অমা পাঙথোরকপা মতমদা রেস্পোন্দ তৌনবগীদমক্তা প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা অকুপ্পা থৌরাংশিং পুথোক্লে। হৌজিক মীপুম খুদিংমক শেম শাদুনা লৈরি হায়না ওফিসল অসিনা ফোনদা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা জপান লান্না কাপ্পা য়াওনা পরিং নাইনা বেলিষ্টিক মিসাইল কয়া পাঙথোকপগা লোয়ননা ইষ্ট অমসুং নোংচুপলোমগী কোষ্টশিংগা নক্লবা মেরিটাইম বফর জোনশিংদা আর্টিলরি সেলশিং কাপশিনবগা লোয়ননা ৱার প্লেনশিং পাইদুনা কোরিয়ন পেনিন্সুলাদা উংখৎনবা হেনগৎহনখি।

নোর্থ কোরিয়াগী খোঙথাংশিং অদুগা মরী লৈননা প্রসিদেন্ট য়ুনদা মরী লৈনবা ওফিসলশিং ব্রিফিং কয়া পীখি। থাংজ নুমিত্তা প্রসিদেন্ট য়ুনদা যুএস মিলিটরিগী য়োনশান গেরিসনদা লৈবা হোটেল, রেষ্টুরেন্ট অমদা ভিজিট তৌখি অমসুং ট্রুপশিংগা ফোটো কাপমিন্নখি। খোঙথাং অদুনা সাউথ কোরিয়া অমসুং যুএসকী এল্লাইন্স হেন্না চেৎশিলহনবা হায়বসি মহাক্কী অচেৎপা ফিরেপনি হায়না উৎলি হায়রি।

নেসনেল ইন্টলিজেন্স সার্ভিসনা ফোঙদোকখিবদা নোর্থ কোরিয়ানা ওক্তোবর ১৬ অমসুং নবেম্বর ৭ কী মরক্তা লৈবাক অসিগী তরেৎশুবা ন্যুক্লিয়র চাংয়েং পাঙথোরকপা য়াই। মদু চাইনিজ কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিগী নেসনেল কংগ্রেসকী মতুং অমসুং যুএসকী মরক্কী মীখলগী মাঙওইননা ওইগদৌরিবনি।

# এন্টি-হিজাব প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না টেহরানদা অথিংবা থমখ্রে

লক্সমবর্ক, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

ইরানদা পাক্তক্লনা চথখিবা এন্টি-হিজাব প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইয়ুগী ফোরেন মিনিষ্টরশিংনা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা টেহরানগী মায়োক্তা অথিংবা কয়া থম্নবা লেপ্নখ্রে।

ইয়ুগী ফোরেন মিনিষ্টর কয়ানা ইরানিয়ন রেজিম্না প্রোটেষ্টরশিংদা চথুরিবা শাথিরবা থৌওংশিংবু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি অমদি টেহরানগা খুৎয়েক পীনখিবা ন্যুক্লিয়র দিল অদু হিংগৎহনবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোক্লখি।

দিপ্লোমেটশিংনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি মিনিষ্টরশিং অদুগী মীফমগী মাঙওইননা ইয়ুগী এম্বেসেদরশিংনা য়ানখিবা অথিংবশিংগী লিষ্ট অদুদা ইরানিয়ন ওফিসল ১১ অমসুং এন্টিটি মরি য়াওই। মখোয় ইয়ুগী ভিজা ফঙহন্দবগা লোয়ননা মখোয়গী এসেটশিংসু ফ্রিজ তৌরগনি। অথিংবশিং অদুনা টার্গেট তৌগদৌরিবশিং অদুগী মনুংদা মোরেল্লিটি পুলিস য়াওরি। তশেংনমক টার্ম অসি ইরানদা মখোয়না চথুরিবা ক্রাইমশিং অদু য়েংলগা য়াম্না চান্নদে হায়না জমর্নিগী ফোরেন মিনিষ্টর অনালেনা বেরবোক্লা ফোঙদোকখি।

লিষ্ট অদু ইরানদা ইনৌ নৌনা মথং মনাও নাইনা থোক্লক্লিবা থৌদোকশিং অদুগী মাঙওইননা শেমখিবনি। থা অমগী মমাঙদা মোরেল্লিটি পুলিসনা ফাজিনবদগী মখোয়গী কষ্টদিদা মহাসা অমিনি শিখিবা মতুংদা লৈবাক শীন থুংনা চথরকখিবা প্রোটেষ্টশিং অদু লাকশিন্নবা ইরানিয়ন রেজিম্না চথরকখিবা মীশি মীনা য়াওবা ফাপুনবগী থবকশিং ইয়ুনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবনি।

দেমোন্সট্রেসনশিং অদু মমৈথংদা রেজিমগী মায়োক্তা চথবা ষ্ট্রিট প্রোটেষ্টশিং ওইরকখিবগা লোয়ননা মদুদা শরুক য়ারিবা কয়ানা মুলানা লুচিংবা রেজিম অদু লোইশিন্নবা দিমান্দ তৌখি।

স্বিদেনগী ফোরেন মিনিষ্টর এনি লিন্দেনা হায়, অথিংবশিং অদু ইংনা চিক্লা পাঙথোক্লবা দেমোন্সট্রেসনশিংবু নমথনবা হোৎনরিবশিং অদুগী মায়োক্তা থল্লিবনি।

# বাই ইলেক্সনদা ইমরান খানগী পার্টিনা নেসনেল এসেমব্লিগী সিট তরুক ফঙদুনা রুল্লিং কোলিসন মায়থীবা পীখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

সেহবাজ সারিফ গভর্ণমেন্টদা চৈথেং চাওনা পীবা অতোপ্পা খোঙথাং অমদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা লূচিংবা পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ পার্টিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মরু ওইরবা বাই ইলেক্সনশিংদা নেসনেল এসেমব্লিগী সিট নিপানগী মনুংদা তরুক ফঙদুনা অমদি পঞ্জাবকী প্রোভিন্সিএল এসেমব্লি সিট ৩ গী মনুংদা ২ ফঙদুনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখ্রে।



মপুং ওইবা কন্টেষ্ট অদু প্রাইম মিনিষ্টর সেহবাজ সারিফকী পাকিস্থান মুস্লিম লিক-নৱাজ (পিএমএল-এন) অমসুং খানগী পাকিস্থান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পিপিআই) গী মরক্তা ওইখি।

হৌখিবা এপ্রিলদা ইমরান খানগী গভর্ণমেন্ট চিংথুখিবা মতুংদা পিটিআইগী লো মেক্করশিং রিজাইন তৌখিবদগী পঞ্জাব প্রোভিন্সিএল এসেমব্লিগী সিট অহুম অমসুং নেসনেল এসেমব্লিগী সিট নিপান হাংখিবনি। নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখিবা য়াম্না মরু ওইবা বাই ইলেক্সনশিং অদুদা নেসনেল এসেমব্লিগী সিট তরেৎ কন্টেষ্ট তৌখিবা খাননা কন্সটিট্যুয়েন্সি তরুক্তা মায় পাক্লকখি। মদুনা মহাকপু থা তরুক শুরবা পিএমএল-এননা লুচিংবা গভর্ণমেন্টবু লৈবাক অদুদা জেনরেল ইলেক্সন ঙন্না লাউথোকহন্নবা চথরক্লিবা মহাক্কী দ্রাইভ অদুদা ইনোৎ হাপখি।

ক্রিকেটর অমা ওইরম্বদগী পোলিটিসিয়ন ওইরকখিবা মশাগী চহী ৭০ শুরবা খাননা করাচিগী সিট অমদা পাকিস্থান পিপলস পার্টি (পিপিপি) গী কেন্দিদেট অমবু মায়থীবা পীখি। পিপিপিনা বাই ইলেক্সন অসিদা নেসনেল এসেমব্লিগী সিট অনী হায়বদি এনএ-১৫৭ মুল্টান অমসুং এনএ-২৩৭ করাচি ফঙবা ঙমখি।

সিট অনী অসি কুমজা ২০১৮ গী জেনরেল ইলেক্সনদা পিটিআইনা ফঙখিবনি। মুল্টানদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর য়ৌসাব রাজা গিলানিগী মচানুপা অলি মুশা গিলানিনা হান্নগী ফোরেন মিনিষ্টর অমসুং পিটিআইগী লুচিংবা সহা মহমুদ কুরেসিগী মচানুপী মেহের বানোবু মায়থীবা পীখি।

মসি বাই ইলেক্সন অদুদা খাননা কন্টেষ্ট তৌখিদবা অমত্তা ঙাইরবা নেসনেল এসেমব্লি সিটনি। নেসনেল এসেমব্লিগী সিট তরুক্তা মায় পাকপদা নত্তনা পিটিআইনা পঞ্জাব এসেমব্লিগী সিট অনীসু ফঙখি। মদুনা পার্টি অসিনা শৌগৎলিবা চীফ মিনিষ্টর চৌধরি পর্বেজ ইলাহিগী খোঙফম হেন্না চেৎশিলহনখি।

পিটিআইগী সেক্রেটরি জেনরেল আশা কুমারনা হায়খি, মদুদি মীখল অদুগী রিজল্টশিং অদু দিসিজন মেক্করশিংনা মখোয়গী অশোয়বশিং খঙজনবগী অতোপ্পা তাঞ্জা অমনি। অসুম্না মখোয়গী অশোয়বদু খঙলবদি পাকিস্থানদা য়াম্না থুনা অনৌবা মীখল অমা শোয়দনা লাকহল্লগনি।

রুল্লিং পিএমএল-এননা পঞ্জাবতা শুপ্পগী প্রোভিন্সিএল এসেমব্লি সিট অমখক ফঙদুনা খ্বাইদগী চাওনা মায়থীবা নঙবা পার্টি ওইখি।

# ইরানগী ইবিন্ট প্রিজনদা মৈ চাক্লকপদগী মীওই কয়া শিখ্রে

টেহরান, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

ইরানগী মীয়াম্না হঙ্গোইনরবা ইবিন্ট প্রিজনদা মৈ চাওনা চাক্লকপদগী প্রিজনর মরি শিখ্রে অমসুং অতৈ ৬১ অশোক অপন নঙলে হায়না ইরানিয়ন ন্যুজ ষ্টেট এজেন্সি অমনা হায়রি।

পোলিটিকেল প্রিজনরশিং ফাজিন্দুনা থম্বগীদমক্তা মমিং চৎলবা প্রিজন অদুগী মনুংগী ছোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না অশিবশিংগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই। সোসল মেদিয়াদা থাগৎপা ভিদিওশিংদা টেহরানগী সাইট অদুদা মৈরি অমসুং মৈখু কানা মৈ চাকপা উখি অমসুং নোংমৈ কাপ্পা অমসুং মখোলশিংসু তাখি।

ইরান শীন থুংনা এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিং চয়োল কয়া চুপ্পা চথরকখিবা অদুদা প্রিজন অদুদা মৈ চাক্লকখিবনি। প্রোটেষ্টশিং অদুদা শরুক য়ারিবা মীওই চা কয়া ইবিন্ট প্রিজনদা থাজিনখি। জেল অদুদা ওইরক্লিবা ফিভম অদু দেমোন্সট্রেসনশিং অদুগা মরী লৈনব্রা হায়বগী মতাংদদি শেংনা খঙবা ঙমদে হায়রি।

প্রোটেষ্টশিং অদু অহানবদা হৌখিবা থাদা মশাগী চহী ২২ শুরবী কুরদিষ্ট ইরানিয়ন মহাসা অমিনি কৌবী অমা পুলিস কষ্টদিদা শিখিবা মতুংদা হৌরকখিবনি।

ওফিসলশিংনা মহাক হার্ট এটে তৌদুনা শিখিবনি হায়না ফোঙদোরকখিবা ওইরবসু মহাক্কী ইমুংনদি মদুবু য়াখিদে অমসুং মহাক মোরেল্লিটি পুলিসনা ফুবদা শীবনি হায়খি।

ষ্টেট মেদিয়াদা ইবিন্ট প্রিজনদা থোক্লিবা থৌদোকশিং অদু হৌজিক লৈবাক অদুদা চথুরিবা প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈনদে হায়বগী ৱাফম থমখি অমদি ওফিসল অমা পল্লদুনা ক্রিমিনেল ইলিমেন্টশিংনা মৈহৌ লাংপোক অদু থোকহনবনি হায়না ফোঙদোকখি।

জেল মনুংদগী ৱা ঙাঙখিবা টেহরানগী গভর্নরনা ষ্টেট টিভিদা হায়খি, মদুদি ক্রিমিনেল কয়া থল্লিবা প্রিজন অদুগী ৱিং অমদা রাইওট অমা থোক্লকপদগী মৈহৌ লাংপোক অদু থোক্লকখিবনি।

# মালিগী এটেকতা য়ুএন পিছকিপ্পর ২ শিখ্রে, ৪না অশোক অপন নঙখ্রে

বামাকো, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

নিংথৌকাবা নুমিত্তা নোর্দন মালিদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পিছ কিপ্পরশিংগী গাড়ীদা ইম্প্রোবাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস অমা পোকখায়হন্দুনা এটেক চথখিবদা পিছ কিপ্পর অনী শিখি অমসুং অতৈ মরি ফিভম লুনা শোক্লে হায়না য়ুএন পিছ কিপ্পিং মিশন মিনুস্মানা ট্বিটর পোষ্টকী খুত্থাংদা ফোঙদোরক্লি।

অল-কাইদা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকা মরী লৈনবা খরা য়াওনা ইস্লামিস মিলিটেন্টশিংনা হৌখিবা চহী তরারোম অসিদা মালিগী অৱাং থংবা লমদমদা লান হৌদুনা লাকখি।

পিছ কিপ্পিং মিশন অসিনা ফোঙদোরকখিবদা পিছ কিপ্পরশিং অদু কিদাল রিজনগী নোর্দন কম্যুন টিসালিক্তা মাইন থীবা অমদি দিটেক্সন তৌবগী পেট্রোল্লিং পাঙথোক্লিঙৈদা আই ই দি অদু পোকখায়হন্দুনা এটেক চথরকখিবনি। য়ুনাইটেদ নেসন্স মল্টি দাইমেনস্নেল ইন্টিগ্রিটেদ ষ্টেবিলাইজেসন মিশন ইন মালি-মিনুস্মাগী মিলিটরি পর্সনেল ১২,০০০ রোম হৌজিক লৈবাক অদুদা দিপ্লোই তৌরি। কুমজা ২০১৩ দা মিশন অদু হৌখিবদগী মালিদা চথরকখিবা এটেকশিংদা য়ামদ্রবদা পিছ কিপ্পর ১৭৪ শিখ্রে। মদু য়ুএননা চথরক্লিবা মালেমগী পিছ কিপ্পিংদা খ্বাইদগী হেন্না মীশি মীনা থোকপনি হায়না লৌনরি।

## যুক্রেনগী লান কনশিল্লকপা নুংনাংনিংঙাই ওই

জিনিভা, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

যুক্রেনদা চথুরিবা লান কনশিল্লকপগী ফিভমদা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী অনৌবা রাইটস চীফনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্কী পোষ্টিং হৌখিবগা লোয়ননা অনৌবা রাইটস চীফনা যুক্রেনগী লান কনশিলহল্লকপগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীচমশিং ঙাকপী শেনবীগদবনি অমসুং মখোয়দা ঙাকপী শেনবীগদবনি হায়খ্রে।

জিনিভাদা য়ুএন হাই কম্মিস্নার ফোর হ্যুমেন রাইটসনা ওফিস পায়বা হৌবা অহানবা নুমিত্তা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি লান কনশিলহনবগী ফিভম খুদিংমক্না ঐখোয়বু অদুক্কী মতিক নুংঙাইহন্দে। তশেংনমক অসিগুম্বা থৌদোক অসি হৌজিক যুক্রেনদা থোক্লি।

নিংথৌকাবগী অঙনবদা রসিয়ানা কামিকাজে দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা কিভতা ইনৌ নৌনা এটেক চথখিবনি। হান্না য়ুএন রাইটস ওফিস পায়রম্বা চিলিয়ন প্রসিদেন্ট মিচেলি বাস্লেটকী মহুৎ শীল্লিবা টর্কনা হায়খি, মদুদি দ্রোন এটেকশিং অসিগী মতাংদা গ্রাউন্দদা লৈরিবা ঐখোয়গী কলিগশিংনা পাউ পীরকখি। সিভিলিয়ন ওবজেক্টশিং অমদি সিভিলিয়নশিংবু টার্গেট তৌদবা হায়বসি লানগী মতমদা অদুক্কী মতিক মরু ওই হায়না পল্লদুনা টর্কনা হায়খি, মদুদি মী কুংলবা অর্বান এরিয়াশিংদা মসি য়াম্না লূনা থোকই। মোস্কোনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা কিভ অমদি যুক্রেনগী মফম কয়াদা পাক শন্না মিসাইল ষ্ট্রাইকশিং চথখিবা মতুং চয়োল অমা চপ চানা কান্নরগা নিংথৌকাবা নুমিৎকী দ্রোন ষ্ট্রাইকশিং অসি চথরকখিবনি। ওক্তোবর ১০ অমসুং ১১ দা চথখিবা শাথিরবা এটেকশিং অদু রসিয়ানা ফেব্রুৱারী ২৪ দা মপুং ফানা লান্দাবা হৌখিবদগী যুক্রেনগী থা কয়া শুরক্লবা কনফ্লিক্ট অদুদা খ্বাইদগী শাথিবা মিসাইল ষ্ট্রাইকনি হায়না লৌনরি।

# ওষ্ট্রেলিয়াদা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স লেপহন্নবা চহী ১০ গী অনৌবা থৌরাং অমা লাউথোকখ্রে

কানবেরা, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স লেপহন্নবগীদমক্তা ওষ্ট্রেলিয়ন গভর্ণমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা চহী তরাগী নেসনেল প্লান অমা লাউথোকখ্রে।



এজেন্সিগী রিপোর্টনা হায়, সোসল সার্ভিসেসকী মিনিষ্টর অমন্দ রিসৱাট অমসুং মিনিষ্টর ফোর ৱিমেন কেটি ঘালাগরগা লোয়ননা ষ্টেট অমসুং টেরিটরিগী ওফিসলশিংনা নুপী অমসুং অঙাংশিংগী মায়োক্তা ভাইওলেন্স লেপহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা নেসনেল প্লান অদু লোঞ্চ তৌখি।

অহোংবা লাকহন্নবগী মরু ওইরবা ব্লু প্রিন্ট অদুদা জষ্টিস সিষ্টেম, হেল্থ সেক্তর, মেদিয়া, স্কুলস অমদি টেক্নোলোজি কম্পেনিস এক্টনচিংবদা অহোংবশিং লাকহনবগী ৱাফম পল্লি। মদুদা চহী মঙাগী ওইবা এক্সন প্লান অনী য়াওরি। মদুগা লোয়ননা ইন্দিজিনস নুপী অমসুং অঙাংশিং চাওখৎহন্নবগী তোঙানবা প্লান অমসু য়াওরি।

প্লান অদুদা নুপাশিংগী লমচৎ শাজৎতা অহোংবা লাক্লবগী প্রোগ্রামশিং অমদি দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সতা চেন্নবশিংবু লাকশিন্নবগী অহেনবা ফন্দিং তৌবগী ৱাফম পল্লি। মোনাস জেন্দর এন্দ ফেমিলি ভাইওলেন্স প্রিভেন্সন সেন্টরগী দিরেক্তর কেফিস-গিবননা প্লান অদুবু মালেমগী ওইনা লময়ানবা ওইগদবা প্লাননি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি প্লান অদুনা ভিক্তিম-সর্বাইবরশিংবু হিংহন্নবদা নত্তনা ভাইওলেন্স মতুংদসু মখোয়গী ফিভম ফন্না লৈহনবদা মতেং পাঙনবগী মওংদা সিষ্টেম অপুন্বগী রেস্পোন্স লৈহনবগী পান্দমসু থল্লি। নেসনেল প্লান অসি দোমেষ্টিক-ফেমিলি অমসুং সেক্সুয়েল ভাইওলেন্সকী ক্রাইসিস অসিবু লেপহন্নবা মতম শাংনা খন্নদুনা লাকপনি। রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অমদি মশাগী চহী ১৫ শুরকপা অদুৱাইদগী ফিজিকেল ভাইওলেন্স থেংনরকখি অমদি চাংচৎতা নুমিৎ তরানি খুদিংগী নুপী অমা মহাক্কী ইন্টিমেট পার্টনরনা হাৎলি। মসিদা নত্তনা নুপী অমদি অঙাংশিংদা চথবা ভাইওলেন্সনা চহীদা লৈবাক অসিগী ইকনোমিদা ওষ্ট্রেলিয়ন দোল্লর বিলিয়ন ২৬ (য়ুএস দোল্লর বিলিয়ন ১৬) অরেম্বদা মাঙহল্লি।

# ইজরেল্লি লান্মীশিংগা খুৎ থোক্লবদা শোকপা পলেষ্টিনিয়ন ১ শিখ্রে

রামালা, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্ককী সিটি সলফিসকা নক্লবা করাৱট বানিহসন ভিলেজতা ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা শোক্লবা পলেষ্টিনিয়ন অমা শিরে হায়না পলেষ্টিনিয়ন মেদিকশিংনা ফোঙদোরক্লি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা পলেষ্টিনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মদুদি ভিলেজ অদুগী মশাগী চহী ৩০ শুরবা মুজাহিট দাৱট কৌবা মীওই অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী অঙনবদা অশোকপা অদুনা মরম ওইদুনা শিখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা করাৱট বানি হাসন ভিলেজতা ইজরেল্লি লান্মীশিংগা খুৎ থোক্লরকপদা দাৱটয়াওনা পলেষ্টিনিয়ন মঙা শোকখি। খুৎ থোক্লবা অদুদা দাৱটকী থবাক্তা নোংমৈ মরুনা পানখিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্ককী অৱাং থংবা হোস্পিটালদা লৈবা সালফিট হোস্পিটালগী দিরেক্তর মোহম্মদ অল-রামাহিনা হায়খি, মদুদি ইজরেল্লি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা ফিভম থীনা শোকপদগী দাৱট অমসুং অতোপ্পা পলেষ্টিনিয়ন অমা আই সি য়ুদা থমদুনা লায়কন্নখি।

খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অদুবু উহৌবা পলেষ্টিনিয়ন খরনা হায়খি, মদুদি ইজরেল্লি আর্মি ফোর্স অমনা করাৱট বানি হাসন ভিলেজতা থোমজিনখি অমদি পলেষ্টিনিয়ন লৌমীশিং অমসুং ইজরেল্লি লান্মীশিং অদুগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লরকখি।

পলেষ্টিনিয়ন মঙা শোকহনখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা ইজরেল্লি ওথোরিটিশিংনা কম্মেন্ট পীয়ু য়াখিদে। হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ওক্যুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্ককী সিটি অমসুং টাউন কয়াদা ইজরেল্লি লান্মীশিং অমসুং পলেষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা তোইনা খুৎ থোক্লদুনা লাক্লিবনি।

# জপানগী পিএমনা য়ুনিফিকেসন চর্চকী মরমদা থিজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে

টোকিও, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

জপানগী পিএম ফুমিও কিসিদানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মহাক্কী কলচর মিনিষ্টরদা ৱাথোক ওইরবা য়ুনিফিকেসন চর্চকী মরমদা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা ইন্স্ট্রক্সন পীখ্রে।

ওপোজিসনগী অকনবা প্রেসর অমদি মহাক্কী কেবিনেটতা মহাকপু শৌগৎপগী চাং হন্থরক্লিঙৈ মরক্তা পিএমনা ৱাথোক ওইরবা চর্চ অদুগী মরমদা থিজিন্নবা দিরেক্সন পীখিবনি। রিলিজস কোর্পোরেসন এক্তকী মখাদা ৱাহং হংবা য়াবগী রাইটতা য়ুম্ফম ওইরগা ইনভেষ্টিগেসন অদু চথগদবনি। মদু টোকিওদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টনা রাইট অদু অহানবা ওইনা শীজিন্নরকপনি হায়রি।

প্রোব অদুগী রিজল্টনা ৱাথোক ওইরবা ওর্গনাইজেসন অসি লাইনিং লাইশোনগী ওইবা কোর্পোরেসন অমা ওইবগী ষ্টেটস মাঙদুনা টেক্সকী বেনিফিটশিং ফঙলক্তবা য়াই হায়রি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী পার্লিয়ামেন্টরি সেসন অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কিসিদানা হায়খি, মদুদি টেলিফোন হোটলাইন সার্ভিস অমগী খুত্থাংদা সেপ্টেম্বরগী অঙনবা শরুক্তগী কন্সলটেসন রিক্বেষ্ট ১৭০০ হেন্না ফঙলবা মতুংদা মহাক্না প্রোব অদু ওর্দর তৌবনি।

চৈরকসিদা এদভাইজরি পেনেল অমদসু গভর্ণমেন্টদা রিলিজস কোর্পোরেসন এক্ট শীজিন্নদুনা গ্রুপ অদুবু মুথৎনবা নত্ত্রগা মদু মুথৎত্রিঙৈ মাঙওইননা ইনভেষ্টিগেসন অমা চথনবা তকশিনখি।

ওফিসল ওইনা ফেমিলি ফেদরেসন ফোর ৱার্ল্ড পিছ এন্দ য়ুনিফিকেসন হায়না খঙনবা য়ুনিফিকেসন চর্চ অসি মসিগী খোঙলোইশিংবু 'কার্মিক বেনিফিট' ফঙনবগীদমক্তা 'স্পিরুচুয়েল সেলস' কী মওংদা দোনেসন চাওনা তৌহনবগীদমক্তা মায়কৈ কয়াদগী মীৎয়েং চঙলকখিবনি। অসিগুম্বা অচৌবা দোনেসনশিং অসিনা মরম ওইদুনা চর্চ অসিগী খোঙলোই খরদি শেল থুমগী ফিভম কা হেন্না শোক্লকখি।

কিসিদানা হায়খি, মদুদি ভিক্তিম কয়া অমদি লাইরবা অমসুং কাংখোং চাইরবা ইমুং কয়া লৈরে হায়বসি গভর্ণমেন্টনা মুন্না খঙবগা লোয়ননা ফিভম অসি য়াম্না হকচিন্না লৌই। হৌজিক ফাওবদা মখোয়দা রিলিফ মতিক চানা পীবা লৈত্রি।

পনবা য়াবদি কিসিদানা লুচিংবা লৈঙাক পায়রিবা লিবরেল দিমোক্রেটিক পার্টিদা ওর্গনাইজেসন অসিগা পার্টি অসিগা শম্নবগী মতাংদা এক্সপ্লেনেসন পীননবা প্রেসর কনখৎলকখিবনি। ওপোজিসন্না লুচিংদুনা গভর্ণমেন্টদা ওর্গনাইজেসন অসিগা শম্নবগী মরমদা এক্সপ্লেন তৌনবা প্রেসর পীরদুনা মমাঙদা অসিগুম্বা মরী তৎনরগনি হায়না ৱাশকখ্রবা মতুংদসু মখা তানা মরী থম্মী হায়না মরাল শীখি।

হৌখিবা থাদা এলদিপিনা চথখিবা ইন্টর্নেল প্রোব অমদা এলদিপিগী লো মেক্করশিংগী তঙ্খায় অমরোমদি কল অমনি হায়না ফাওবা তোইনা ফোঙদোক্লদুনা লাক্লবা ৱাথোক ওইরবা ওর্গনাইজেসন অসিগা মরী লৈনৈ হায়বসি খঙলকখি।

এলদিপিগী লো মেক্করশিংগী খুত্থাংদা ৱাথোক ওইরবা গ্রুপ অসিনা জপানগী পোলিটিক্সতা ইথিল চাওনা পীনবা হোৎনরক্লি হায়না ওপোজিসন পার্টিশিং অমদি মীওই সেক্সন কয়ানা মরাল শীনরকখি। এদুকেসন, কলচর, স্পোর্টস, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিগী মিনিষ্টর কৈকো নাগাওকানা হায়খি, খ্বাইদগী থুবা মতমগী মনুংদা মহাক্কী মিনিষ্ট্রিনা ইনভেষ্টিগেসন অদু হৌরগনি।

## দেঙ্গিগী লাইচৎ কনখৎলগনি হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে

কলম্বো, ওক্তোবর ১৭ (এজেন্সী):

শ্রী লঙ্কাদা দেঙ্গিগী লাইচৎ কনখৎলকপা য়াই হায়না লৈবাক অসিগী হেল্থ ওফিসলশিংনা ৱার্নিং তৌখ্রে। হৌজিক ফাওবদা ঈথৎ লৈবাক অসিদা চহী অসিগী ওইনা দেঙ্গিগী কেস ৬১,০০০ হেন্না রেকোর্দ তৌরে।

মমাঙগী চহী ২০২১ গী অহানবা থা তরাগী মতমদা থেংনখিবা লায়না অসিগী কেস লিশিং ২০ লোমগা চাংদম্নবদা হন্দক্লা লায়না অসিগী কেস মশিং য়াম্না হেল্লিবনি। লৈবাক অসিদা লায়না অসিনা মীওই অহুমসু শিহনখ্রে। নেসনেল দেঙ্গি কন্ট্রোল য়ুনিটকী মতুং ইন্না কেস অয়াম্বা নোংচুপ থংবা প্রোভিন্সতা থেংনখি অমসুং কলম্বো দিষ্ট্রিক্টতনা কেস মশিং খ্বাইদগী য়াম্না থেংনখি।

চৈরকসিদা য়ুমশংকৈশ নুমিৎ ফাওবা মখা চথখিগনি হায়না প্রিদিক্সন পীখ্রবা অকনবা নোংজুনা মরম ওইদুনা ঈথৎ লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাওশিংনা ইমুং ১৫,৪০০ রোম অৱাবা মায়োক্লহল্লে। য়ুম ৫ অমসুং বিজিনেস হাউস ৯ মপুং ফানা অমাঙ অতা থোকখিবগা লোয়ননা য়ুম ২০০ রোম্না তোঙান তোঙানবা ফিভমশিংদা মাঙ তাক্লে হায়রি।

প্রসিদেন্ট রানিল ৱিক্রেমেসিঙ্গেনা ওফিসলশিংদা নোং অমসুং ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবশিংদা চান থক্লবা পোৎলমশিং, হিদাক লাংথকশিং অমসুং অতৈ তঙাই ফদবা পোৎলমশিং ফঙহন্নবা দিরেক্সন পীখ্রে।

হৌজিক শ্রী লঙ্কা নেভিগী রিলিফ টিম ৩৬ রিলিফ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনগীদমক্তা শেম শাদুনা লৈহনখ্রে হায়রি।